> “মীনন্বা ৱাদু হায়দ্রবদি মীদু হাৎপা তারবদি
> অদুগুম্বা মতমদা মীনন্বা ৱা হায়গদবনি।”
>
> - সোনামনি (ৱাথোকচাও)

# শৈরেং

## অরি অনৌ লংদাইদা

—ডা. অকোইজম ইবোহল

লেপ্তুনা তেক তেক চৎখিবা
মতম মহাক্কী খোঙচত্তা
ফারক্লদুনা থাবুম তরানিথোই
অরোইবা নোংজা য়ৌরক্লে
ইং কুমজা ২০২২গী
লুপখ্রগনি মতমগী ঈরোলনুংদা
পুন্সি চূপ্পগী ওইনা
ঐখোয় পূম্ববু তুংওইনরম;
লোইনাইদ্রবা মতমগী ঈচেলসিদা
তাউথরিবনি নঙসু ঐসু
ঙসি হয়েং ঙাইনরিঙৈ
ঙাইবীরমদনা চৎখ্রে মতমদি
তৌগদবা থবক্লা য়াম্বনা
পাঙগদবা শিন্থানা লোইনাইদবনা
লেমহৌরে থৌদাং কয়া’মা
পাঙথোক্কে খঞ্জখিবা ২০২২দা;
লাক্লনি অমুক হয়েংদি
অনৌবা চহী ২০২৩
অহানবা কোরৌগী অরংবা মশেক্লা
মঙফাওনবা ওইহল্লসনু মঙলান কয়া
হরাও হরাও কৌশিল্লসি
অনৌবা চহীবু থম্মোয় লকানুংদা
পুবিরক্লসনু নুংঙাই য়াইফবা
ৱাৎত-পাদবা মীপূম খুদিংগী।

## অরিবা কুমজা ২০২২ চৎলোকো

—নিংথৌজম বীমোলা লৈমা

ঙসিদগী চৎলোকো অরিবা কুমজা ২০২২
নঙগী নতম্বাক্তা চেন্না চোঙনা
শান্নজরম্বা সঙাই ফেষ্টিবেল
মফম কয়া থোক্লা পাঙথোকখিবা
মালেম্বু শিন্থুংনা মমিং চৎখিবনি
সঙাই কুম্মৈ মীপূম তিংনা পামজনা
থেংনখি অদুবু লোইশিনখ্রেদো ঙসিদি
সঙাইনা চৎখিবগা লোয়ননা চৎখ্রগনি
অরিবা কুমজা ২০২২সু সঙাইগী তুংইন্দুনা
চৎলোকো ইমা পুকফবী হরাও তয়ান্না
অৱা অনা পূন্নমক পুদুনা নুংঙাই য়াইফনা
তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়দা পীবিরম্মু য়াইফবা
অনৌবা কুমজাদা ঐখোয় ময়াম পূন্না
অমুক উনগদ্রা পূন্না কুমজা ২০২৩ লাকপদা
উনগনি উনরোই খঙদেদা মীওইবা
অচেনবা ঈচেলগী কোঙ্গোলগা পাংখক্লি
মাঙখিগদৌবা পুন্সিগী তাইবঙ ঈপাক্তা
ৱাংমা লান্না চেনখিগনি ঈচেলগুম
খঙনা-খঙনা, উনা-উনা পাইখিনি
কনানসু খাংঙল্লোই বিধিগী নোংদম্বু
মা-মাগী মতমনা লোইরবদা খাংঙল্লোই।

## ‘লংদাইসিদা’

— শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম

ফিজেৎ-লৈতেংলো,
মকে শেল্লো,
ওইরে মতোম চৎনবা;
থিল্লরে থোঙদা।
ঐনা নোংমা হায়খিবদুনি নঙোন্দা,
ঐদি লমলানবনি
ঙাইহাক লমদল্লবনি ননাক্তা
নঙগী মীনুংশিগী মিৎয়েংখাদা।
হাইরিবা খূৎশিংসে য়োইবু-য়োইহেনবশিংসিনা
য়েংউ, পীরিবনি বিদাই ঐবু;
ওন্থোক্লা লূমদৌরিদা বিদাইগী পোৎলূমসে,
মসিবু পুদুনা ঐনা করম চৎকনি!
ঈয়াইদা তাউরিবা ঈপাক্কী কোঙ্গোলগুম,
ঈরৈদা চেন্থরক্লিবা কাওশিংগুম,
অসুম লাপখ্রগনি, অসুম তামখ্রগনি ঐদি
নঙবু অমুক উবা হায়বদো ফংদনা।
কায়নবা-থুংনবা, হরাও-মিনোক, অৱা-মৈশা পূন্বা
নীংশিং নীংশিং ইদোম,
অমুক নোক, অমুক কপ
ওইখ্রগে লম্বী ৱারী, লম্বীসে তেন্নবা।
শীংবা ঙল্লাহৈদবা নঙগী মীনুংশিগী লমনসিগীদমক
ঐ পোথাদে, মিৎ কল্লা উইশিনবা ঙমদে
অদুবু, শীংবা শক্লসনু নঙগী লমনসে,
চেৎলবা থম্মোয়গী মরীসিনা।
চৎলগে লৈহৌরোকো নুংশিবী,
ৱাদবা শারদুনা থাংনীংদ-থাংনীংদ খোঙসে,
ময়থোঙদা মোমোন-মীনোক্তা
থম্মোয়নুংদদি লম্মৈগী মৈশা।
কপ্লিবরনে নঙসু ঐগুম,
কপচেৎ চাউবী অমগুম?
অদুগী শরুকপুদি পীরো বিদাইদুম,
উনবা-কায়নবা, অরি-অনৌগী লংদাইসিদা।

## ‘পন্থুং’

—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র

হাইরং-তুরংনা চৎলি
অফং-অফংবগা ৱায়নৈ
ৱায়নগনবা ষণ-লমচা’দৌনা।
অথিংবা পীদে মঙোন্দা
মনীং তম্মী
অকনবা কনানো মঙোন্দগী
লৈতে অকনবা
মালেমদা -
অকনবশিংগী মরক্তা অকনবনি।
অদুবু!
“মহাক ফিরাক নারে
লেঙ-ওৎপা ঙমদ্রে।
মুনখ্রে পাঙ্গল ’পুন্বা
মসিনি মহাক্কী পন্থুং।”

## অনৌবা চহীনা লাকপসিদা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

লাক্লে অমুক
লাক্কনু য়াদবা
মহাক্তো,
মতম মাগী লেপ্তুবা ক
খোঙচৎনা চৎখিবনা।
নোক্লা-নোক্লা অনৌবা
চহী অমুক লাক্লে,
অরিবা মাবু বীদায়
পীরম্লদুনা।
ইনখৎলকপা মতমগী
কনাবু ঐগী, মাগীনি
খঙদ্রিঙৈ,
অফবদা ওইয়ুকো
পীখিবা পাউজেলশিংদো,
নুংশিদা নুংশিদবা ঙমদে
অনৌবা আশা কয়াগী
মৈরানবীশিংদো মতমনা
লোইখ্রবদা অনৌবা
চহীনা লাকপসিদা।

## ইতারোয় মরুপলোয় পাম্মুজৈ

—টি ঐচ সনায়াইমা

ও! নুংশিজৈদা কল্লকচৈ
খৌবুম তম্পাক্কী ৱারী লীবীগে
নোক্লা নোক্লা হরাওনা
চৎখিবনি খোঙচৎ অদু
অমুক হল্লকখিদরে
থোকহন্নীংখিদরে থৌদোক্তো
মঙনিকা হায়রদিকো
য়াম নুংঙাইনি ঐখোয়
মপুনা পীরকপা চৈশিং
তেনখ্রেদকো পাম্মুইদা
করিদবু হায়সিগে
ঙল্লবদি চিংঙু খুয়াখা
থৱায় পূম্বা মুন্দুনা
খোইনৌ মখৈগী থৱায়দো
শামু হকচাংদা হাপচরগা
হান্নগুম অমুক হল্লক য়ারদিকো
অদুবুনে ইতারোয়
তাইবঙসিদা অমুক হন্না উররোই
তাইবঙ পুন্সি তেনখ্রেদা
কল্লকইদা কল্লকই
নতা ওইবীনা পিরাংলক্তা
চিংঙু মাগী খুয়াখা
থৱায় মিরেল পূম্ববু
চিংঙু মাগী মনাক্তা
নুংঙাই য়াইফ থম্বীয়ু
অৱা চৈনা ফাওহনবীগনু
অৱা অনা লৈতনা
নুংঙাই য়াইফ থম্বীয়ু
২১-১২-২০২২
পুন্সিনা লৈরিমখৈ কাউররোই।

## য়াইরিপোক থম্বলনু

—ঙাংবম ইবেতোম্বী

লায়রকোন্দা পোমখিবী
লাইবক চাউবী থম্বালনু
পলেম লুখ্রাগী মীৎয়েংখাদা চাউখিবী
অঙম অথৌশিংগী শরৌলাংদা থুদুনা
লৈশা মপূং ফারকপদা
নুংশি কাদদি য়ৌঙমদনা
লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা
লাইজ ঈরোলনুংদা
য়াইবী থৱায় কৎখিবা
লাইবক ফবীবু হায়সিরা
লাইবক চাউবীবু কৌসিরা
লোইদ্রিবোইদো নঙগী অৱাবসে।
নচা ননাও কয়ানা
খাঙুথক্তা পুন্সি পিখম্নরিবসে
অৱা চৈনা খাঙনরিবসে
মীকপ মীরাওখোলতনা
নঙগী নরমদম, মহৈকোন্দা নিল্লীবসে
তাদ্রবরনে নঙবু হে লাইবক চাউবী।
মখোয়গী অৱা ৱারীসে
কংলৈ লমদমবু লানখরে
নোংদম থীনবু তল্লম্বোইদকো
হে লাইবক চাউবী থম্বালনু।

## খনখিগদ্রা

—এম নিলকুমারি

মনা পান্দ্রবা,
কুমগী উনখানা
কেলহনবীখ্রবা
করি ঙাইরি ফমদুনা
অনৌবা য়েন্নিংগীদমক্লা?
কৌজেং হারৌ শৈশক্লরনি, নুংশি’ খোন্থাং হাপ্তুনা।
থেংনগনি অমত্তংদি
অমম্বগী অমম্বা
নীংশিংহৌরো অহিংগী তন্দন মৈকাপ্পী।
খোংলক্কনি হঙোই নহা খোন্নৌবা
কুমগী নোংজুগীদমকনি।
ফংলরোই নহাক্কী থম্মোয়গী উরুম
লৈথক লৈখা খোনখ্রবনি
মতম মতমগী য়াওলনি।
খল্লুরনু কৈদৌনুং।
পেন্থোক্লো মখোয়গুম্না
থাদোক্লো থম্মোয়গী অৱা পোৎলুম।
অমম্বগী অমম্বনি
নশা ইশাগী পীবীরম্বা খুদোলনি।
খন্দোক্লসি,
উনা পান্দ্রবা উপালনা
নহাক্কী উরুম পীররোই।
খল্লুদবনা হৈনবীনি নীংশিংহৌরো
মতম মাগী খোঙচত্তা।

মতম মতমগী ৱাখল

# মতম মতমগী কৌনরকপা মিঙ্গৌ



Photo curtesy - N.Jadumani

ঙল্লিঙৈগী মতমদা মীগী মমিং থোনবসি মী অদুগী মওং-মতৌ শাবান অমদি পূন্সিগা মরী লৈননা খল্লগা থোন্নরম্মী হায়নৈ। মণিপুরদা ইবোহল,ইবোতোম্বী,ইবোয়াইমা,চাউবা,তোম্বা,বাবু,লুখোই মিং কৌনবা য়াম্না লৈ। নুপীরোমদসু ইবেচাউবী, ইবেমহল,ইবেয়াইমা,ইবেতোম্বী,ইবেম্মা,মেম্মা,মেম্মী,তোম্বী,সনাতোম্বী য়াম্না কৌনৈ। লৈগী মমিংশিংদগী লৌরগা থরো, থম্বাল, থারিকথা,কুশুমলৈ উরিরৈ,মধাবী,সনারৈ,কবোক্লৈ, লৈরিক, নুপীওইবীশিংদা কৌনরকপা মিংশিংনি। নুপাদা লৈগী মমিং পরিজাৎ অমদি সনারৈ,কেতুকি, নাগেশ্বর কৌবসু লৈ। হৈগী মিংদগী লৌরগা মীগী মিংদা থোনবদি তাখিদ্রি। কনাগুম্বা মচিন মনাউ নুপা ঙাক্তা পোকপদা নুপী য়াওরক্লবা হায়দুনা অকোনবা পোকপা নুপাদা নুপীদা কৌনবা মিং তোম্বী,সনাতোম্বী,চাউবী কৌনৈ। মতৌ অসুম্না,নুপী ঙাক্তা পোকলকপদা নুপা য়াওরক্লবা হায়দুনা অকোনবা পোকপা নুপীদা চাউবা কৌনৈ। মিং খরদি নুপা নুপী অনীমক্তা কৌনবসু চৎনৈ।

মহৌশাগী ফজবা উরুবদগী মীগী মিংদা থাবল,থানিল,পূর্ণিমা,নুমিৎলৈমা,থাজা,লোয়া, তময়াঙানবী অসিফাওবা কৌনখি। মিং কৌবদা মান্নরকপদগী মীগী মশক মওং,মাইকৈ হাপ্তুনা খঙননবা কৌনবসু কোঙ্গাইনি। খুদম ওইনা, চাউবা অনী শুরকপদগী মখারোমগী চাউবা,অৱাংলোমগী চাউবা,ইবোয়াইমা অচৌবা,ইবোয়াইমা মচা হায়না খঙননবা কৌনরকই। নুপীদসু ইবেয়াইমা অপাবী, ইবেয়াইমা লুখোইবী কৌনৈ। কনাগুম্বা খরদি মাগী পোকফম হৌরকফমগী লম হাপ্পগা হেন্না মিং খঙনৈ। পোক্লফম লম হাপ্পগা মিং খঙনবসিমদি খরা অখন্নবা মশক নাইবা মীওইশিংদা কৌনৈ । অয়াম্বনা জগোয় ঈশৈ,কলা সংস্কৃতিগী লমদা খোঙদবা মীওইশিংনা কৌনৈ। খুদম ওইনা- থাঙ্গা মঙ্গোলজাউ,লমজাও তোম্বা,মোইরাং জাতি,কুম্বী ইনাকখুনবী,লাংঙাথেন থোইনু, সেক্তা কলা, নুঙ্গৌই মেরা, উয়ান ইবোমচা, লমদেং থম্বালঙৌ,য়োংলান নিত্যাই,কৈকোন চাউবা অসিনচিংবা কয়া লৈখ্রে। মাইচৌশিংগী মরক্তসু ৱাংঙু বাজি, কোনোক থেংগ্রা,লাঙ্গোল লুখোই,শমুরৌ চিগোং শিংথানখিবা ঙাক্তনি। মাইচৌশিং অসি মিং খক হায়রগা খঙনবদগী লম হাপ্পগা হেন্না খঙনৈ। পোক্লফম লম য়াওনা খঙনবসি মীয়াম্না পীবা ইকায়খুম্নবা মিংথোলনি। মী অমদা হেক্তা হায়বা য়ারোই। মীগী মমিংদা অমুকসু ধাতুগী মিং লৌদুনা সনা,হিরা,মণি,মুক্তা কৌবা লৈনখ্রে। খরা মশা মউ খিঙবা,মখোঙ য়াংবা,থবক থৌরম থুনা তৌবা ঙম্বা মীদা মণি অপাইবী,তোম্বী অয়াঙবা,বাবুসিং ওইনা কৌনবসু লৈ। ইকায় খুম্না কৌবা মিঙ্গৌনি। কনাগুম্বনা শাওনবা, করেম্মনা অমদি থৌওইদনা লৌরগদি অরানবা ওইগনি। জি সি তোংৱানা মহাক্কী দ্রামাগী করেক্টর অমগী মমিং থোনবদা ইবোহল নুংথং কৌবা য়াওহনখি। কুচু কুমেন,শকওং-শক্তাদা য়েংলগা কৌনবা মিংশিং অঙেী,অমুবা,ঙাংবী,অশংবী,থেনদেন, তেনবী,অপাবী,ফৈজাও,পাকচাউ অসিনচিংবা মিংশিং কয়া অমসু লৈরি।

মৈতৈনা হিন্দু লাইনিং লৌরকপদগী মৈতৈশিংগী হান্না কৌনরকপা মিং হোংনখি। মৈতৈশিংগী থায়না কৌনরকপা মিং তোক্লরগা হিন্দুগী লাইয়ামশিংগী মমিং পান্না কৌনরকখিবা মতাং অমা লৈখি- নুপাদা নন্দ,নরান,নরায়ন,বিষ্ণু,কৃষ্ণ,গোপাল, শ্যাম,কহ্নাই,সহাদেব,নোকুল,রাম,লক্ষমণ,ভরত,দুসন্ত অদুগা নুপীদা অমুক-যশোদা,রুহিনি,রাধা,রাধিকা,লক্ষমী, দুর্গেশ্বরী, রাশেশ্বরী অসিনচিংবা মমৈথংদদি হিন্দি ফিলমগী ষ্টারশিংগী মিংশিং- বিজেন্তিমলা,দিল্লিপকুমার,দেবানন্দ, রাজেন্দ্রকুমার, হেমা,প্রিয়া,প্রিয়াঙ্কা ফাওবা য়াওনা থোন্নরকখি।

ঙল্লিঙৈদা ঐখোয়গী খুন্নাইদা মিং থোন্নরকপগা হৌজিক্কী মিং থোন্নবসিগা ৱাখল্লোন খেন্নৈ। ঙল্লিঙৈগী মিং থোনবদি নাক য়েৎ,হৌরকফম, শাজৎ,য়েক-সল্লাই,মতীক মথৌনা,তৌবা ঙম্বা, মওং মতৌ,পোকফম,লৈফম,হৈনবী মওং কয়া অসি কূপ্পা য়েংলগা মিং থোল্লি। মিং থোনগদৌরিবা অসিসু মপা মপু মশক নাইবা অহল লমন, মাইচৌশিংনা মচা মশুশিংগীদমক থোলহল্লি। পোকপদা থোনবা মিং মাগী মতীক মথৌনা,শাজৎকী মতুংইন্না মিং অমুক হোংদুনা থোন্নবসু চৎনৈ। মিং নৌনা হোংদুনা থোনবগী থৌরম ফাওবা লৈরকখি। মিং হোংবগী থৌরম পাংথোকপা অসিদি অঙম অথৌ, মতীক ময়াই লৈবা খরগী ৱানি মীচমদদি থৌরম অমা ওইনা চাউনা পাংথোকপা কয়া তাদ্রি। চীংমীশিংগী মরক্তা মরিং ফুরুপকী ‘মিনফুক’ থৌরম অমা য়াওখি। হান্না কৌরকখিবা মিং অদু অহল ওইরগা অমুক নৌনা মীয়াম মাঙদা কন-থৌবা উৎলগা ষন্দং হাৎতুনা চামিন্নরগা মিং হোংবা থৌরম পাংথোকপনি। তোয়না পাংথোকপা ঙম্নদে। মিং হোংবা শেন চংঙি। লাকপীখিবা খুনগী মীয়াম পেন্নবা শা থোংদুনা পীজগদবনি। মরিংগী ওইনা ‘মিনফুক’ মিং থোনবগী অচৌবা থৌরম অমনি।

মতৌ অসুম্না ঐখোয় তম্পাক্কী ওইনসু নিংথৌরোলশিংগী হাক্তকশিংদা শা ফারুবা, লান চৎলুবা মায় পাক্লা লাকপা, হল্লকপদা নিংথৌশিংগী,ফম্নাইবশিংগী নৌনা মিং হোংখিবা থৌরম চাউনা পাংথোকপা লৈখি। মৈতৈগী হান্নগী কৌনরকপা মিংসি য়াম্না শাংনা শাংনা কৌনরকই। মিং শাংনা কৌবসি ঙল্লিঙৈদা চৎনরকপগী মওং থেংনৈ । অরীবা মিংশিং অয়াম্বা সেলেবল অহুমদগী তাদনা- খেল্লে নুংনাং তেলহৈবা,হাওরং লৈশং শাফবী,চীঙচেং নারল পালকলপা অসিনচিংবশিং মিঙ্গৌনরকখি। হৌজিক্কী মতমসিদা চৎনবী অমা ওইনা কনাগুম্বগী অঙাং অমা পোকপদা পাঞ্জিনা অঙাং অদুগী কুঠি ইবীরকপদা মমিং থোন্নবগীদমক মিংগী অহৌবা ‘ক’ ‘খ’ ‘গ’ অসিনচিংবনা হৌরগা মিং থোন্নবা ইরকপা য়াওই। পঞ্জিনা পীরক্লিবা মিংসি লাইরিক্কী মতুংইন্ননি হায়রি। ইমুং মনুংনা পামদবদগী অমুক ওন্থোক ওনশিন তৌনৈ । পঞ্জিনা পীরকপা মিং থোন্দ্রগদি ফত্তবা ওইরক্কদ্রা হায়দুনা মীপাইনবা মমা মপাশিং লৈনখি। ইমুং মনুংনা পাম্না থোনখিবা মিং অঙাং অদুনা অমুক চাউরক্লগা মানা অমা অমুক মিং হোংদুনা থোনজবসু য়াওরি। নহারোলশিংনা মখোয়না পামজবা মিংসি ইংরাজিনা অয়াম্বা ওই। ঙসিগী নুপামচাশিংনা পামজবা মিংসি রোবর্টসন, মাইকেল, জেকসন,লিওনার্দো,ত্রাজান,হরকুলিস,অর্নোল্ড । নুপীমচাশিংসু চপ মান্নে হেলেনা,অথেনা,এলিজাবেদ,রোজি,রেজিয়া, মার্গরেট, জুলিয়েট য়াম্না কৌনরি । য়ূম্নাক্তি ইপা ইপুগী হোংবা য়াদবনিনা মৈতৈগী য়ূম্নাক্তা লৈরি। য়ূম্নাক্কা মিংগা লৌরেন্নম হারকুলিস,অসেম জুলিয়েট,মৈনম ত্রাজান অসিনচিংবা হায়দোকলকপদা চানদবদগী তাবদা নোকনিংবা কয়াসু লৈরি। পান্না কৌনরি অদুবু তাবদদি মরিং মরাংঙি।

মহৌশাসি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগা মান্নদবগুম তৌই। মালেম পৃথিবীগী খোঙচৎসি খরা য়াংনা চৎপগুম্না ফাওই। অঙাং ওইরিঙৈ নোংমগী মতমসি য়াম্না শাংঙি। নুমিৎ পাক হেক্তা তাখিদবগুম তৌই। চয়োল অমা, থা অমা,চহী অমা হায়বসি য়াম্না শাংঙি খনখি। হৌজিকসিনা নোং হেক ঙানবগা ঙাইহাক লৈরগা নুমিৎ তাগুম তৌই। নোংমাইজিং অমদগী নোংমাইজিং অমা হায়বসি ইনক নকশিন্নরকপা মাল্লি। চহীসি খঙহৌদে।

থায়নগী অহল লমনশিংসি ঐখোয়না শক উখিবদা চহী য়াল্লবা অহল ওইনা লোয়না উখি । মশক নাইবা লমদমসিগী মীওইশিংগী পুন্সি ৱারী পারুবদা ওইরম্লিবা চহীগা শকওং শাবানগা, শকফমগা চান্নখিদে । মৈতৈ নোংশা হায়নখিবা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ মহাক্লা নোক্লা ফাসিগী সগাই কাখিবদু চহী নিফু শুখিদ্রি। টিকেন্দ্রজিৎ হায়রগা চহী অহল ওইনা খল্লি । ডাক্তর কমল চহী ৩৪ খক্তনি। নুপীসু অদু মঙাই শকফমদা অহল য়াম্না মাল্লগা চহী নৌবা য়াম্না লৈরম্মী। নুপীশিংসি খরসু অহল শানীংবগুম্বা য়াওবসু থেংনখি। ঐখোয়গা লাইরিক তম্মিন্নরকখিবা চহী লেঙ্গাগী নুপীশিং নুপা খরা অহল ওইবদা ময়ূম পাল্লি হায়দুনা ঐখোয়দা ইবুংঙো কৌরকপসু লৈখি। মসি মতাং মতাংগীনি হায়বদুতা তারি। চহী লীরবা লৈশাবীনা চহী নৌবা শানিংবসু লৈখি। নুপাদদি সিগুম্বসি কয়া লৈত্ৰা খল্লি। নুপাদসু রাজনিতি তৌবা ওইরগদি লিৎলিবা ফুরিৎ, ফৈজোম অদুনরা খঙদে অহল হেক্তা ওইশিনখি। অঙাংনা অহল শাবসি ইপা ইপুশিংনা অঙাংহল হায়রগা খঙনরকই। মহা কবি অঙাংহলগী মিং অসিদি অদুগী ওইরমলোই। মাঙ্গোলদা ফল্লগা ৱা চাউনা ঙাঙবশিংবু মঙ্গোলজাউ হায়না অহল লমনশিংনা হায়নখি। ঙসিদি মী মরক্তা মঙ্গোলজাউ কৌরিবসিদি অদুগদি খেন্নরে ।

ঙসিগী মীরোলসিদা অমুক হান্না কৌনরম্বা মিংশিংদা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু নোংপোকঙানবা, লনচেনবা, লনচেনবী,লনসনা,পান্থোই,থৌয়াংবা,লনচেনবী,শিল্লেমা,লরিখোম্বা,তাইবংঙানবা ..কন্না কৌনবা চৎনরক্লি। মিংথোনদি ঐখোয়গী ওইরে মসি অফবা খোঙথাং অমনি। ঙাঙনরিবা লোলশিংদা ইপা ইপু হাক্তক্তগী ঙাঙনরকপা লোল, পোৎচৈশিংগী মমিং ঙসিগী অঙাংশিংনা খঙনদ্রিবসিমত্তংগা খঙননবা মমা মপা ওইবশিংনা মচাগী মিংদা অনৌবা থোনবীবগুম তাকপী তম্বীদুনা খঙহনবীরগদি ঐখোয়গী ৱহৈ,লোল হিংবা ঙমগনি।

- মাখোনমনি মোংসাবা

ৱারী ককনাউ

# ন্যু য়র

অয়ূক নোং ঙানফুং ঙানফুং হেক তৌবগা ঐগী য়েঙ্গোন্দগী থা মরি চঙনা লোয়জরকপা লাবা মতোক লেক লেক লাউবদুনা ‘ক্রে-কে-কে...” হায়না খোংদুনা ঐবু তূম্বা হৌদোকপীবনি। ঐসু য়াহৌ ঙনজৈ। তঙাইফদনা মখোয়গী মচিঞ্জাক কোবী মনা শোইবা, চেঙকুপনচিংবা তোৎপীরগা পীজবা, মখোয়না হরাওনা চাজবদু উজরগা য়াম্না নুংঙাইজবনি। পূক্লিংসি পেঞ্জবনি। তশেংনা হায়রদি য়ূমদা থৱায় পানবা শা-উচেক লোয়বসিগী নুংঙাইবা মনুংঙাইসিদি লোয়দ্রিবা মীনা খঙলোই, ওন্থোক্লা নুংশিখ্রবজাৎনি। ঐগী হুই অনী অমসু লৈ। অদুম য়েংবদা ফজরে। ঐনা হায়রিমখৈ লোইনা ইল্লি। ফম্মু, চৎলু, লাকউ, তূমিন লৈয়ু হায়বা খুদিং লোইনা খঙই। ঐগী ইতুং কোইন ইন্নদুনা হরাওনা মমৈ ফেৎ ফেৎ হাইবদু ঐগী মরুপ অমগা ঐগা চৎমিন্নবগুম নুংঙাইজৈ। মবুক ফৎতবা মরুপ অমগা চৎমিন্নদৌগী শরুক ঐগী নুংশিজরবা হুইগা চৎমিন্নবনা পূক্লিং লূম্মী। মসি কনাগুম্বশিংনা তারগদি ওন্থোক্লা নুংঙাইরোই, অঙাওবনিবু হায়বীগনি। তশেংবদি ঙাওবা নত্তে, অশেংবনি। ঐগীদি অসিদা নত্তে রেবিট (থেবা) সু ১০ লৈ। অদুগা পেরোট (তেনৱা) মচা অপীকপা মচু মচুগীদু ৮ অমগা লোয়রি।

অয়ূক য়াহৌরকপসিদা ঐনা মপান হেক থোরকপগা য়া য়া খোংদুনা মখোয়গী মচিঞ্জাক পীজনবা কৌরক্কনি। রেবিটতুসু মখোয়গী শারং মনুংদগী মখোঙ মখূৎশিংদু থাঙ্গৎ থাঙ্গৎতুনা খোরো খোরো খোৎতুনা কৌরক্কনি। ঐবু কৌবিনবা, ঐবু খঙবীবা মরোল থোক্তবা থৱায় পানবা ময়াম লৈবসি ওন্থোক্লা নুংঙাইজৈ। শেলগীবুদি খরা তিংই। মখোয়গী মচিঞ্জাক লৈবদা নোংমদা লুবা ১০০দি শোয়দনা চঙই। রেবিটনগা চারিবসি শুংলেপ লেপ্পা নত্তে। পীজরিখৈ অদুম চাবীনি। চানবা লৈত্রগা হেক্তা খোরো খোরো খোৎপনি। মখোয়দা পীজরগা মখোয়না চাজবদু য়েংলগসু য়াম্না নুংঙাইবা অমনি।

চহী লোইশিল্লকপদা ইচানুপা অমনা য়েঙ্গোন্দগী য়েল লাবা অমগা অমোম অমগা ফারগা পুখ্রে হায়। ঐদি উহৌদ্রে। অঙাংশিংনা তম্বনি। য়ূমদা লৈহৌরিবশিংনসু বাই বাইগী মখোয়গীসু পীয়ু হায়দুনা ঐনা হেক হল্লকপগা শুরু শুরু নৈররে। ঐ থৱায় অসুক্কী মতিক নুংঙাইতে। শেল পীগে লৈরুচো হায়দুনা য়ূমগী নীংঙাই তৌরিবা অঙাংশিংদুবুদি থাদোকখ্রে। অনী পুখি হায়দুমদি খাম্বা নংহৌদ্রবনিনা ওন্থোক্লা ফীভম চাদনা লোইরমনিদকো খল্লুবদা য়াম্না নুংঙাইতে। চঙশিন্দুনা য়েঙ্গোন্দা য়েংলুরে। মনুংদা লৈরিবশিংদু মখোল চেক মোক লাউদনা ঐ চঙলকপদুদা তূমিন তাশিন্নদুনা লৈবা উই। নহানখৈদি ঐ লাকপদা মশাগদু ফর-ফর কল্লদনা হরাওনা মচিঞ্জাক চাজগদবগী ঙাইবনি। ঙসিদি মখোয় মখোল থোকখিদ্রে। ঐসু মখোয়গী ফীভমদু উরুবদা মচিঞ্জাক খরা হাপ্পীরম্মগা অদুম চঙলক্লগা ইমুংদা চঙই। ঐ তূমথরে, মঙদা ঐসে উচেক অমদি শাশিংগী মরোল খঙনবা লাই অমনা মন্ত্র অমা পীরম্বদগী ঐ উচেক ৱায়াশিংনা ঙাঙনবা পূম্বা তাবা হৈরে।

অয়ূকনি, ঐগী য়েঙ্গোন ময়াদুদা হুই অনীদুনা মনম শুৎ শুৎ নল্লদুনা চঙশিনখি। ঐদি খিতং লাপ্পপ্পা থবক অমা তৌদুনা ফম্লি। হুইদুগা য়েনদুগা ৱারী শান্নরকপদুদা ঐ থবক শুরম্বদু লেপ্পগা মখোয়গী ৱারীদু তারি।

য়েন : ইতাও ঙসিসি করি নুমিৎনো, মী পূম্নমকশিংসিনা ঙরাংদগী বম্বুলা থাদুনা লাউ খোংদুনা তৌরিবসি ঙসি করি তৌদৌরি?

হুই : ঙসি ন্যু য়রনি। মী পূম্নমক হরাও নুংঙাইনা অনৌবা চহীবু তরাম্না ওকপগী থারিবা বম্বুলা, বোম, রোকেটনি। ঐসু ঙরাংদগী মদুগী মখোলদুদা ইশাসি ইপা পাখৎতুনা লোৎলগা খাংলবনি। ঙসিনা অমুক, অহাও অহাওবা থোংদুনা, ময়াই কাবা ময়াম অমা চারগা পিকনিক চৎপা, কোয়বা-লাংবা ময়াম অমা তৌনদৌরিনি। য়ূম্বুসিগী মচানুপা য়াইমা শাথীবদুসু পিকনিক চৎকদবগী লাংহৌরিবনি। কৈনো অমদি শোয়দনা থোক্লরনি, চেকশিল্লু।

য়েন : হা মচানুপা য়াইমদু পিকনিক চৎকনি হায়বা?

হুই : মমান্নবা ময়াম অমনে, নুপী লৈশাবী খরসু য়াওদৌরিমাল্লে, গ্যাসকা গাড়ীদা হাপ্তুনা থৌরং লোইনা তৌহৌরবনি, লমচাক চারুদৌরিমাল্লে।

য়েন : করি থোংদৌরিজাৎনো?

হুই : লমচাক চাবা চৎপদা অদুসু মথক্তা ন্যু য়র নুমিৎসিদদি কৈসু কাংশোই অমগা লফু ইরোনবা অমগদি তৌদৌ মান্দে।

য়েন : করি থোংদৌরিজাৎনো?

হুই : য়াম হংখ্রেদা, কৈ কান্নবা, লাইদুম নীংউ।

য়েন : ঐখোয়না লাই নীংবসি লাই অমত্তনা ঙসিফাও ঐখোয়বু কনবীখিদ্রি।

হুই : ইতাও কৈমতা খল্লুনু, ঐগী মোত্তদি, থুনা শিরগা মথং মপোক্তা মী ওইনা পোকপনা হেন্না ফৈকো।

য়েন : অদুবুদি, অদুবু শিনীংবা কনাসু লৈতবনিদা। ঙরাংদগী ঐখোয় করিসু চাদ্রি, ইশাসি অনম অহা চুই, য়াম হৈনীংদে। অসিগুম্বা নুমিৎ, হরাও কুম্মৈনচিংবা লাকপা খুদিংগী ঐখোয়গী পোপ্যুলেসনসি খংতা খংতা তাই। ঙরাং মচানুপা অহলদুনা ঐগী ইমান্নবা অমগা ঐগী খঙনজবা য়েন লৈশাবী অমগা ফারগা পুথোকখিবা, মদুদা মখোয়না পেন্দনা মখোয়বু কনবীনবা মসা ফর-ফর হাইরগা কপ্পম্বদো মদু তাবদা থম্মোয়সে কায়রবনি।

হুই : ঐসু উহৌই ইতাও। মাগী মমান্নবদুনা ঐগী ঙকশমসিদা নাল্লগা, শিনবু ফনিদা, হুই চাদবসু কুইরে হায়রম্মী ইতাও, ঐদি শাওনীংদুনা মঙকশমদুদা লাকসিরা হায়নফাও খল্লুরবনি।

ঐ মখোয়গী ৱারীদু তাবা ঙমদ্রে। ফুক হৌগৎকে তৌবদা মীকপ খংথোক থোরকপদগী ঐ ইশাসি হুমাং অনপ্পী কাংদুনা ফমুংদা ফমদুনা লৈরম্মী। খল্লি, ঙসিগী ন্যু য়রসিদা ঐগী য়েঙ্গোনসি লোইনমক ইহাঙ হাঙবা তারবা???

-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা